# রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ ঃ ইন্দিয়ানা নুপাগী হোকিদা জর্মনগী মখূৎতা ২-১ দা মায়থীবগী মহাও তংখ্রে





রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৮ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা পুল বিগী অনীশুবা মেচদা জর্মনগী মখূৎতা ১-২ দা মায়থীহৌখ্রে।

জর্মনগী ক্রিষ্টোফর রুহরনা মেচ লোইগদবা মিনিটতা চনখিবা গোলনা মহাক্কী টিমবু মায় পাকহনখি। জর্মনগী গোল অমদুনা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা নিক্লাস ৱেলেনা চনখি। ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা রুপিন্দর পাল সিংহনা মেচ অনীদা মহাক্কী অহুমশুবা গোল ওইনা চনখি।

অনীরক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা জর্মনিগী মখূৎতা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা মায়থীখিবা অসিনা জর্মনগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা ওলেম্পিক্কী মেচ ১১ দা মরিরক শুবা ওইনা মায়থীবসু ওইখি। অদুগা ওভর ওলদা নিপাল্লক ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইন্দিয়ানা য়ুরোপিয়ন সাইদ অসিগা শান্নখিবা মেচ ৯৪ গী মনুংদা মায়থীবা ৫১ রকশুবা মেচসু ওইখি।

মখোয়গী অহানবা ওপনরদা কনাদাবু ৬-২ দা মার্জিন ৱাংনা মায়থীবা পীখিবা জর্মনিনা মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা য়াম্না কন্ত্রোল তৌনা শান্নরকখি।

ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা জর্মনবু লাকশিন্ননবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী ফংখিবা অহানবা মেচতা আইয়রলেন্দবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়ানা জর্মনগী সাইদতা মেচকী মিনিট ১২ চৎপা মতমদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা অক্সদিপনা নিকিন থিময়াদা পীরকখিবা বোল অমা গোল চন্ননবা এটেম্প তৌখিবদা জর্মনগী গোল কিপর নিকোলাস জাকোবিনা অথিংবা পীদুনা গোল চলহনখিদে।

জর্মনসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনরকখি। জর্মনগী ক্রিষ্টোফর রুহরনা চঙশিনখিবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী রুপিন্দরনা নীংথিনা সেফ তৌখিদুনা মখোয়গী গোল চনবগী এটেম্প অদু অরেম্বা তাহনখি। অদুবু মখোয়না হনবা লৈতনা ইন্দিয়াগী সাইদতা তৌখিবা এটেক অমদা নিকলাস ৱেলেনা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

জর্মননা গোল চনখিবদগী তপথদ্রবা ইন্দিয়ানা হনবা লৈতনা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেকশিংদা মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা রুপিন্দর পাল সিংহনা য়ুরোপিয়নগী সাইদতা গোল অমা চনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। মেচ অদুগী হাফ টাইম ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোলশিং চনবা ঙম্মদবদগী ১-১ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না ফংনখিবা পেনালটি কোর্নরশিং গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে অমদি গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে।

জর্মননা মখা তানা মায় পাক্ন নবগীদমক চঙশিল্লকখিবা এটেক অমদা মেচ লোইগদবা কুইরত্তুবা মতমদা ক্রিষ্টোফর রুহরনা গোল অমা চনশিনখিদুনা মেচ অদু ২-১ দা মায় পাকখি।

মায় পাকখিবা অসিনা জর্মননা পোইন্ট তরুক ফংদুনা গ্রুপ বিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে। অদুগা ইন্দিয়ানা পোইন্ট অহুম ফংদুনা লৈরি।

## OLYMPICS MEDALS

| POS. | COUNTRY | GOLD | SILVER | BRONZE | TOTAL |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | USA | 3 | 5 | 4 | 12 |
| 2. | ITALY | 3 | 3 | 2 | 8 |
| 3. | CHINA | 3 | 2 | 3 | 8 |
| 4. | AUSTRALIA | 3 | 0 | 3 | 6 |
| 5. | KOREA | 2 | 2 | 1 | 5 |
| 6. | HUNGARY | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 7. | RUSSIA | 1 | 2 | 3 | 6 |
| 8. | GREAT BRITAIN | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 9. | SWEDEN | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 10. | JAPAN | 1 | 0 | 6 | 7 |

## *Indian athletes for Day 4 at the Rio 2016 Olympics.*

***August 09, 2016 (Tuesday)***

Event: Field hockey, Women's tournament, Group B

***Women's Hockey***

India vs Great Britain - 2:30 AM

***Archery***

Male and female - Individual Qualification (5:30 PM) - Atanu Das

***Men's Hockey***

Argentina vs India - 7:30 PM

***August 10, 2016 (Wednesday)***

***Weightlifting***

Men 77kg - 4:30 PM - Sathish K Sivalingam

***Tennis***

?Mixed doubles - 7:30 PM

Rohan Bopanna and Sania Mirza

***Judo***

Male 90kg - 4:30 PM - Avtar Singh

***Women's Hockey***

India vs Australia - 7:30 PM

***Boxing***


Male - Preliminaries and Quarterfinals - 7:30 PM - Shiva Thapa, Manoj Kumar, Vikas Krishan

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১৫

1. কুমজা ২০০১ দা বেঙ্গলোরগী সাই গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল এসোসিএশন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন্না শিনবা ১০ শুবা ইন্টরনেসনলগী ওইবা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অমদা মেদল ফংখিবী মণিপুরগী এথলেট অদুগী মমিং করি কৌই?
2. মরিরকশুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ করম্বা সহরদা পাঙথোকখি।
3. ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দদা টেষ্ট শান্নবা চৎপদা টিম অদুদা য়াওবা শান্নরোয় অমনা ইবা ক্রিকেটকী লাইরিক অমদগী লৌথোক্তুনা পাউচে অমনা পরিং নাইনা আর্টিকল ফোঙলকখি। মদুদা মহাক্কী অয়াবা পীখি হায়বগীদমক ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট বোর্দনা শান্নরোয় অদুদগী পাউন্দ ৫০ ফাইন লৌখি। শান্নরোয় অদু কনানো?
4. কুনশুবা সেপ্পুরি লোইশিল্লকপদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সার চূড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা এস এস য়ু (শিংজমৈ) গা মোইরাংগী অমোফাগা শান্নখিবা মেচ অমদা অমোফা মোইরাংগী টিমদা লুপা ৫০০ ফাইন তৌহনখিবগী মরম করিগীনো?।
5. হেরোইন দ্রগ লল্লোনবশিংগা মরী লৈনবা থবক তৌবগী চিংনদুনা মশামক্কী ঈ অমসুং শমগী শেম্পল পুলিসনা পীয়ু হায়বদা য়াখিদবগী ৱাথোক ওইখিবা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা বোক্সর অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



# থাইলেন্দগী লিফটর সিনফেটনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবগী হরাউবা ফোঙদোকপদা মবোক লৈখিদ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৮ ঃ

মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকী কেজি ৫৬ কী নুপাগী ৱেথলিফটিং মশান্নদা থাইলেন্দগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা সিনফেট করুথোঙনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবদা মহাক্কী মবোক ৱান্থরক্তুনা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

লিফটর অসিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবগী হরাউমনবনা হেনখিদুনা চহী ৮৪ শুরবা মবোক অদু খুদক্তা লৈখিদবনি হায়রি।


কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ অদুদা থাইলেন্দগী সিনফেট করুথোঙনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবগী হরাউবা ফোঙদোকপদা মহাক্কী মবোক লৈখিদবা অসিনা লিফটর অসিগী মরমদমগী মীয়াম্না হরাউবা ফোঙদোক্নম্বা অদু মমায় ওনখিদুনা অৱাবা ফোঙদোকপা রোমদা ওনশিনখি।

লিফটর অসিগী মবোক সুবিন খোঙথাপকা লোয়ননা মীয়াম পূন্না মহাক্কী মরমদমদা প্রোজেক্টর কাপথোক্তুনা পূন্না য়েংমিন্নরিঙৈদা মহাক্কী মশুনুপানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবগী হরাউবা ফোঙদোকপা অদুদা ৱান্থরক্তুনা লৈখিদবনি।

কম্পিটিসনগী মাঙওইননা থাইলেন্দগী পাউমী ময়াম্না মহাক্কী মবোক্তা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা লৈখিদ্রবী মবোক অসিনা মহাক্কী মশুনুপা য়াম্না নীংশিংই। মহাক্না রিও ওলেম্পিক্সতা মায় পাকপগী মিৎকুপ অদু মহাক য়াম্না য়েংনীংই। মহাক্কী মশুনুপানা লৈবাক অসিগীদমক্তা মেদল পুদুনা রিওদগী হল্লক্কনি হায়না লৈখিদ্রবী মবোক অসিনা ফোঙদোক্লমখিবনি।

থাইলেন্দগী লিফটর সিনফেট করুথোঙ থাইলেন্দগী ওইনা রিও ওলেম্পিক্সতা মেদল ফংবা অনীশুবা এথলেট ওইরিবনি। মহাক্কী মমাঙদা নুপীগী কেজি ৪৮ গী ৱেথলিফটিংদা গোল্ড মেদল অমা রিও ওলেম্পিক্স হৌদোকপা নুমিৎতা লৌখ্রবনি।

# অভিনাবনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইখ্রে, নরং, মানবজিৎ, চেন্নাই লৈহৌরে, আর্চর লক্ষমি অহানবা রাউন্দদা মপান থোকখ্রে







রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৮ ঃ

ষ্টার ইন্দিয়ন শুটর অভিবান বিন্দ্রনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টকী ফাইনেলদা ক্বালিফাই ওইখিবগা লোয়ননা গগন নরংনা টুর্নামেন্টতগী মপান থোকখ্রে।

বৈজিং ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট বিন্দ্রনা নুপাগী মিটর তরাগী এয়র রাইফল ইভেন্টকী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা তরেৎশুবা পোজিসন তাখিদুনা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। অদুম ওইনমক কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট গগন নরংদি থাক নেম্না ২২ শুবা পোজিশন্দা লৈখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

মহাক্কী মঙারকশুবা ওইনা শরুক য়ারিবা বিন্দ্রনা ইভেন্ট অদুদা পোইন্ট ৬২৫.৭ স্কোর তৌদুনা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। হৌজিক চথরিবা ওলেম্পিক অসিদা বিন্দ্রনা ইভেন্ট অসিখক্তমক শরুক য়ারি।

ইটালিগী কম্প্রিয়ানি নিকোলোলনা অপূনবা পোইন্ট ৬৩০.২ স্কোর তৌদুনা ওলেম্পিক রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা ক্বালিফিকেসন অদুগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। বিন্দ্রনা ইভেন্ট অসিদা ১০৪.৩, ১০৪.৪, ১০৫.৯, ১০৩.৮, ১০২.১ অমদি ১০৫.২ স্কোর তৌখি।

পনবা য়াই, নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রবা হিনা সিধুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মিটর ২৫ গী পিষ্টল ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, ত্রেপ শুটর মানবজিৎ সিংহ সন্ধু অমদি কেনন চেন্নাইনা মখোয়গী অহৌবা নুমিৎকী পার্ফোমেন্সতা মশক থোক্না শান্নখ্রবসু ওলেম্পিক্সকী মেন'স ত্রেপ সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী ত্রেপকী অনীশুবা অমদি ফাইনেল নুমিৎকী ক্বালিফিকেসন্দা মানবজিৎ সিংহ সিন্ধুনা ১৬ শুবা অমসুং কেনন চেন্নাইনা ১৯ শুবা পোজিসন তাখিদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমহৌখিদবনি।

মানবজিৎনা ২৩,২৩,২২,২৫,২২ পূন্না পোইন্ট ১১৫ কপখি। অদুগা চেন্নাইনা ২২, ২৩, ২২, ২৪, ২৩ পূন্না পোইন্ট ১১৪ কাপ্তুনা নীংবা কায়না লৈহৌখি।

চৈরক অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর লক্ষমি রানি মাঝিনা ইন্দিভিজুএল ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী আলেকজেন্দ্রা লোঙ্গোভাগী মখূৎতা ১-৭ তা য়াম্না শাথিনা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

মাঝিনা ইভেন্ট অদুদা মশক থোক্না শান্নখ্রবসু ওপোনেন্টবু লাকহৎপদি ঙমখিদে। মহাক্কী ওপোনেন্টনা সেট অহুমদা মথংশিংনা ২৭-২৫, ২৮-২৬ অমদি ২৭-২৪ দা মায়থীবা পীরমখি।

# থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন লীগতা দব্লিয়ু ৱাই এফ সি ৱাংজিং অমসুং দব্লিয়ু ৱাই সি ৱাংখেম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালনা শিন্দুনা চথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা দব্লিয়ু ৱাই এফ সি ৱাংজিং অমসুং দব্লিয়ু ৱাই সি ৱাংখেম মায় পাকখ্রে।

টিম ৯ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা দব্লিয়ু ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা পি ৱাই সি ফৌদেল গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নরকখি। মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা গোল অমমম চন্নদুনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা দব্লিয়ু ৱাই এফ সি ৱাংজিংগী শান্নরোয়শিংনা হেন্না মিকুপ নাহুমশিংনা শান্নরক্তুনা গোল অনী অমুক থংনা থংননা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল অহুম শুখি।

মেচ অদুদা দব্লিয়ু ৱাই এফ সি ৱাংজিংগী অহানবা গোল মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা ৱাই জয়চন্দ্রনা চন্দুনা টিমগী মায় পাক্নবগী লম্বী শেমখি।

দব্লিয়ু ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রবদা গোল শোত্থরিবা পি ৱাই সি ফৌদেলগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি।

গোল শোত্থরিবা পি ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না হৈশিংনা শান্নরকপনা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা শামিরনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং হাফ মতুংদা দব্লিয়ু ৱাই এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নরক্তুনা মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা ৱাই সুরজনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চন্দুনা পি ৱাই সিদগী গোল অমা অমুক মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থনা লৈরিবা পি ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনরকখি অদুবু গোল মাঙজিল থারিবা দব্লিয়ু ৱাই এফ সিগী ৱাই জয়চন্দ্রনা মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চনশিনখি।

মখা তানা পি ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল চনবা ঙমদবদগী দব্লিয়ু ৱাই এফ সিগী মখূৎতা মায়থীখি। মেচ অদুদা মায়থীরবা পি ৱাই সিগী এম দি অসলম মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা, এস এম অক্রম মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা অদুগা এম দি কমিল সরিফ মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দব্লিয়ু ৱাই সি ৱাংখেমনা এল পি ৱাই সি লৈরোংথেল গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা গোল একাউন্ট হাংদোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি। য়াম্না চাং মান্নখিবা মেচ অদুদা দব্লিয়ু ৱাই সি ৱাংখেমগী মঙলেম্বনা মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

গোল শোত্থরিবা এল পি ৱাই সি লৈরোংথেলগী শান্নরোয়শিং অদুনা গোল হন্দোক্নবগীদমক ফনা কন্না শান্নরকখি অদুবু মেচ অদুদা গোল হন্দোকপা ঙমদনা এল পি ৱাই সি লৈরোংথেল মায়থীখি।

মেচ অদুদা দব্লিয়ু ৱাই সি ৱাংখেমগী অবোয় লাইরেনলাকপম মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা অদুগা এল পি ৱাই সিগী রোনাল্ডো মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা অদুগা ৱাই ইথোই মেচকী ৭০ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

## কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএ-শনগী এসিষ্টেন্ট হেদ ওফ রেফ্রি ওইনা কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র খনখ্রে।

মরম অদুনা কে এস ঐচ মোধুচন্দ্রনা খুদক্তগী হৌনা অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট হেদ ওফ রেফ্রিগী চার্জ পুরগনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।





HL-B/3252/8/8-7/9




HL-B/3223/29/07-28/08

